"ইখূৎনা থাজে ইনশাংদো, ইখূৎনা তন্না
হেকচৈদো, নুংঙাইবনি ইনিংতম্বদো"
*- হিজম অঙাংহল ('ঐগী' শৈরেংদগী)*

## য়োল্লি য়োন্নিং য়োন্নিংবা মমলদা

**—বি মঙাং**

য়োল্লি য়োন্নিং য়োন্নিংবা মমলদা
পোৎ য়োল্লিবা কাঙবুসু মতাং চানা
শেলমাং কুপখৎহৌনবা মাঙখিবা ময়ামদুগী
লৈরি পোৎ লৈবশিংসু, লৈদ-য়াদবগী
অহায় অহায়বা পীরি ফংহৌনবা
নোংমগী চঙদা য়াদবা পোৎলমশিং
অকি-পোৎয়োন, পাখৎ-পোৎলৈ
কর্ফিয়ু মতমনি, লৈবাক ঈরাং থোক্লিঙৈ
অহিংদা গাড়ী ৱায়রগা লাক্লিনি
ভরানা ৱাংঙিবা, পোৎসু তাঙঙে
কিলোদা লুপা ১০০গী মথক্তা ঙাক্তা
ৱাদি ৱায়কো, শিবু শিদে চাদবৈ
ইকোনোমিক ব্লোকেদ থা অনী অহুম তৌখিদু
মবুক য়েক্লবা, হিংচাবা ময়াম থোরক্লগা
চুম্না লৈজবা চীং লম্বীদুদা, লুট তৌবদু
গাড়ীদা য়াওরকপা চান-থক্লবা ময়ামদু
মৈ থাদোকপা, চীংখাদা ইন্থবা কয়ামা
মখূৎতা নোংমৈ পায়বশিংসু কুম্মৈ য়েংলি
মদুদি, মখোয়গী মশা ঙাকথোকচবগীনে!
শাথিহে! মখোয়গুম্বা লৈরমখিদ্রা তাইবঙসিদা।

## চীংগী ইতাও

**—নিরঞ্জন উশম**

থোঙ্গালদা চঙলক্লিবসে চীংগী ইতাও মানখ্রেদা
মানিনে! ইতাও পাইশো নত্তবরা?
করিনোনে ঐবু খঙদ্রবরনে ইতাও?
লোয়নরক্লিবা লৈশাসিনা কনা?
ওঃ! ঙাওরবরা নঙবু, নচানুপী লুনীংলা
অওইব্রনে? এ! ওন্থোক্লসু চাউরমলেদা!
ইতাওনা ঙহানৱাই পোবী-পন্বীখিবদুনে কাউরবরা?
হোইনে, ইচাদি লৈশা মপুং ফারমলেদনা।
কদাইদগী খঙলগদগে, ঐগী খুলদা লাক্তবা কুইরেনা।
কাখৎলকও হেক্তা, খোঙউপকদু লৌথোক্লুরনু।
ইচানুপা নিংথেমদি উদেনা, কদায় চৎখ্রে?
দেল্লীদা এম এ তম্বা চৎখ্রে, ইতাও খঙদ্রিবোইরে।
কদাইদগী খঙলুনি হায়দি-হায়রক্তনা।
ময়োমসিনা করিনো, চাউখ্রেদা!
ইতাও, চীংগীদি করিবু ওইরুনি পাল-মাইরেল নত্তনা
চীং-ঙা খরবুদি য়াওবনি ইচন্না চানবা।
মহাকপু উদে কদায়দা চৎখ্রবা?
কৈথেল কাখি কুইররোই হল্লক্কনি।
ইতাও, ৱা অমা হংগে ঐ
হন্দক মরক্তি নখোয়গী মেরা থাউমৈদো উদ্রেনা
মদু মূৎহনগনুনে মদু উরগা ইতাও হিংলি হায়বা খঙই।
ঐসু চীংগী লম্মৈদু উরগা ইতাওবু হেক্তা নীংশিংইদা
মেরা হৌ চোংবদসু ইতাও য়াওরকপরা য়েংজরিবনি।
চহী খরসিদি পামলৌ হোৎনবদা ঙমদ্রবা।
ইমুংদা চঙলসি, নমৌনুপীনা চাক লোইরমানে
লুনীংলাগা নমৌনুপীগা পূন্না চারসনু
ইতাওগা ঐগনা পুখম অমত্তদা চারসি,
অসুম্না চামিন্নবা অসিনা
চীংগা-তমগা নুংশিনবা হেন্দ্রনে ইতাও।

## সিবু মীওইবগী লিচৎলা?

**—রন্ধীর থিয়াম**

বর্ম্মাগী মমোম পোপীনা
ওংজনীংই মণিপুরগী চীংমায়দা
শাৎচনীংই চীংমায় থন্না।
চীংশাং পোকপা খুল্লাকপনা
মীহৌজে পোপীগী হী-য়াই
অদুনা লৌশিল্লি মমৌ ওইনা।
মমৌ ফংলবা মতমসিদদি
মঙক থেক্কৎলক্লে খুল্লাকপা,
হৌমিন কামিন্নরকপা থিদনা
কোকগোক কোকথোকপী উমং-ৱামং,
খোঙ্গৈইনবীরি মহৌশা লাইরেম্বীবু,
কোনশিঞ্জে চেৎনা পোপীবুদি মথানুংদা
ইকায় খঙদ্রবা চীংমায়না।
অচোপ-অরেম খঙদ্রবা চীংশাং উবদা
শাউরবরা নুমিৎনা চাকথেকহল্লগে মতাগুম য়েংলক্লে
মংলম্বা নোংসু কিদুনা সমায় লৈদুনা চেনখরে।
খৌগংনরেদো ঙসিদি ঙম্নমক,
লাইজগী নুংশিবসু উৎলদ্রে
নুমিৎকী শকফমসু ওনখরে।
মশা-মশাতগী ওইজবা থিবদা
ইন্থবীরে লাঞ্জদবশিংবুসু অমমলোক্তা,
নুংশি লিপুনসু ককথৎপীরে
শম্বা য়াদনা মতৎ-মতৎ,
সিবু তাইবঙপানগী মচৎলা?
সিবু মীওইবগী লিচৎলা?

## চীংগী লৈরাং অমদা

**—নোংমাইথেম নোরেন**

হে চীংগী লৈরাং নীংথিবী
হংজবসু ঙমজখিদেনে
নুজাগী কোলোয় নীংথিবা;
কৌরগে নঙবু নুংশিবী।

মালং শাহুমগী তাঞ্জা লৌ
লোৎলম্বা লৈনাশিং লক্তগী
পাউখোং চল্লকপগুম লৈরাংনা
হুদুনা য়েংলকখিবা মিৎয়েংদো
কাউঙল্লরোই থম্মোয়না পুন্সিগী।

লীজরকপা খোঙ্গুলসে মাঙখ্রবসু
থম্মোয়দদি মুৎনাইদনা তাহৌরে
'শুস্নৎল' নুজাগী শক্তমদি
লেনহৌরেদো পুন্সিগী নীংশিং নীংশিং
নুংশি মঙলান তাইবঙদা।

হে চীংগী লৈরাং শকহেনবী
হংজবসু ঙমজখিদেনে
নুজাগী কোলোয় নুংশিবা;

## ৱাহং খরা

**—আর কে বুধিমন্ত কার্টা**

করম্না কদাইদগী হৌরকপনো
অঙম তাল্লিবা লাল!!
মুন্না খল্লু, নখোয় ফল তাবা ঙমদ্রবরা?
চেল্লব্রা নখোয় নথৱায় হিংনবা
তূমিন্না লোৎতুনা লৈরব্রা?
তোইনা তোইনা মখৌ পোঙনা লাউখিবদাই,
ইমা লৈবাক্কী কথোক্লবা পাউখোল্লোইনি,
ঙমদ্রবরা নখোয় য়েক্লা মায়োক য়াবা,
নচিন্দদি নমা নুংশিবা শাবদাইনে,
কনদৌরিবা নমাদুবু করমকান্দনো?
নমাগী হকচাংদুনি মখোয়না
মচেৎ মচেৎ শেৎতুনা ফক্তোক্লগে থৌরাংলিবা
হে অথৌবা মানবা, নমা নীংবা অথৌবশা,
ঙাঙখিবনি ৱাজাও কয়া কয়া
মফম খুদিং নীনখিবনি
লৈবাক কায়বগী ৱাফম লাকপদা
য়েতুম মতোন্দা পকপা উফুল মরীক অমফাও
পীথোক্লোই ৱাশকখিবদাই,
হায়য়ু নখোয়, নখোয়গী নচিন্দু কনানা মেল্লি,
নপূক্লিংগী ৱাহৈ ফাওবা ফোঙদোকচবা ঙমদ্রব্রা?
নখোয় করি খল্লি?
খল্লিব্রা নখোয়গী ফল্লিবা চৌক্রিদুগী
ঙসি হয়েং থোক্কনি খঙদ্রবা
নমা অসিবু কনবা ঙল্লরোইদ্রা?
নমাগী মীংলেননা মালেমদগী মূৎখ্রবা,
কনাগী মমানো নখোয়না কনগদবা?

## ৱাখলনা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

খূৎলায় য়াওদনা
ৱাখলগী ঈপাক্তা
থেংনরিবা হে লান,
খূৎলায় য়াওবদগী
হেন্না মপাঙ্গল
লৈবা লাননি।
ছত্রংগী পোশিংগী
খোঙচৎ ঐ খঙদে
হিগী হিরম, শামুগী, শগোলগী
লুরিবদি লানফম অসিদা
কদোম মায়কৈ চৎকনি
ঐ খঙদে।
মসি মতংদি ঐ খঙই
ৱাখলগী ঈপাক্কী লানদি
খূৎলায় য়াওদনা
থেংনবা লানদি
জয় ওইবা মায়থীবা
ঐ খঙদে।

## ইমা লৈবাক নুংশিবী

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

ইমা ইমা ইরৈবাক
কোলোই মিংলেন নীংথিবী
পলেম নঙবু পাম্মুবী
পীক্লা তোমথিন ঙাল্লিবী-ও;
ফনেক খোঙদাই শেৎতুনা
খ্বাংচেৎ ফিজি লাংদুনা
খূবাক কুরোল হুবমখৈ
নচাশিংবু চাওনবা য়োকপীনি;
অৱাবা কোঙ্গাই লোৎশিন্দুনা
মোমোন মোমোন নোক্তুনা
অৱা চৈনা খাঙবদো
নচা ঐখোয়নদি খঙজেদো;
ঙসিদি ইমাগী মৈচাকসে
য়েংদুনা লৈথোকপা ঙল্লক্ত্রে
তৈথোকচরগে মীৎলুগী পিরাংসে
নপারি নমোম ঐখোয়না;
চিংনা পরৈ থাদোক্তুনা
অকি তুজুং নাথৈরমদুনা
চোংশিল্লগে লানফমদা
ইমাগী শক্তম ঙাক্লনবা;
শিন্থজগে ঙাংল ঈখেং
থৱায় থারবসু থাজরগে
ইমাবু মীনদি লাকচহল্লরোই
ইমাগী নীংতম্বা মাঙহঞ্জররোই।

## হায়রিসিনি

**—এল বিমোলচান্দ**

তমগী ফুরুপসিবু কয়ামুক য়াম্না ফৎত্রবগে
করিগী অদুক খোইদৌ থীৎনা অশাউনরিবা
কনানা করি হায়জিনবীদুনা খোইখা লীনখানরিবা?
তিল্লাং খয়োৎননা 'মুক্তং খন্থর-তুং নেমথহনবীয়ু
অশীৎ অৱান্থাগুম শাফু কল্লিবদো হাকমল্লি
অতেবা ষণসু ৱাইবা হৈ হায়বসি খঙজিনবীয়ু।
নখোয়দি পন্থুং খঙদ্রবা মরী তৎলবা তেলঙ্গাগুম্বনি
খল্লুবনি মালংগী অকনবা শউমসিদা কৈদা পাইরুনি;
নুংশিরুবনি তুংদা শাদানবনা তান্নরক্লিবা লমশানি
হিংননবা থৱায় পাম্মুজরবা লাঞ্জেল্লোইনি;
অদুবু কদায়! যূমদাংবনা কৈ নাইরক্লে,
লৌ-মপু য়োংয়াম্না তানবগুম্লে।
মহৈ-মশীনদা, পাঙ্গল থৌনাদা ৱাৎপসু নত্তে
লৌশিংদসু নখোয়না কৈদৌনুংদা লাকচরোই
ফি শেৎপা হৈবসু হানবনি, লৌশিংদসু তান্ন-ঙল্লোই
ফুদিত্তা মাংজোং চোংলক্কনু - অশাউ খাম্বী হৌরক্কনি
লানসু পাল্লনু - লান্না তোংজবা লৈতবনি।

## নুংঙাইবগী মখল

**—ডা. নির্মলা রাজকুমারী**

য়াম্মী নুংঙাইবগী মখল
থেংনরকই নুংঙাইবা মখল মখল
লমন খুম্বগী নুংঙাইবা, লমন শিংবগী নুংঙাইবা
কথোকপগী নুংঙাইবা
ফংবগী নুংঙাইবা
তোঙাল্লি মহাউ নুংঙাইবা পূম্বগী।

মতম মতমগী ৱাখল

# করি থোক্লগবা মে ২৯,২০২৩?

ঙসিগা থানা লমদমসিদা ইরাং থোক্লিবসি নুমিৎ ২৬নি শুজিনখ্রে। হৌজিক ফাওবদা ঈরাং থোক্লিবসিগী হক, দয়ত্ব অসি কনানা লৌরিবনো ঐখোয় মীচমশিংনা খঙদে । মসিগী খুদমদি লাঞ্জেন্নদুনা চঙজফম লৌরিবা অৱাবা মায়োক্লরিবশিংনা নুংতিগী মীডিয়াদা তন্লিবা পাউশিংদগী খঙলি । মখোয়গী পেন্দবা ৱাকৎশিং ঐখোয়না তারি । ৱাকৎশিংগী পাউখুম পীনবা মপু লৈত্রি। জুনগী তাং ১৮ হায়বসি লমদমসিগী ওইনদি কাওররোইদবা অমনি। কুমশীং ২০০৬ তা থোকখিবা "উইদআউট টেরিটোরিয়েল লিমিট.." হায়বসিদগী পোকখায়খিবনি। মণিপুরদা তাখিবা এটোমনি। হৌজিক অনীশুবা জুন ১৮, ২০২৩ অমুক নকশিল্লক্লি । মসিদনা করি ওইরগদবনো খঙদ্রি । হান্নগী জুন ১৮ গা অনৌবা জুন ১৮ গা অনী পূনশিন্দুনা পূন্না জুন ৩৬ কী অকনবা এটোম বোম থাদরকখিগদ্রা হায়বগী মীপায়বা মীয়ামগী পূক্লিংদা ফাওরক্লি । লমদমসিদা ঈংনা তপ্না লৈবা পামজবা ঐখোয়নি। নুংতিগী তারিবা পাউ, ঈরাং থোক্লিবা ময়াম অসিনা পূক্লিংদা তপথরকউ হায়বা য়াখিদে। চিন্দা পেন্দবগী ৱাহৈ ঙাক্তা থোকলকখি। করিসু খঙজদ্রিবা পীক্লিবা য়ুমগী অঙাংশিং ফাওবা কুকি হায়বসি খঙলে, চিনফা পুনরে । ঐখোয়গী য়েক্লবা ওইনা লৌনরে। মতৌ অসুম্না কুকিগী অঙাংশিংসু মৈতৈ হায়বসি পন্দুনা ঙাঙনরমগনি। মখোয়গী য়েক্লবনি হায়না মৈতৈশিংবু খন্নরম্লগনি। তুংগী হৌরক্লিবা মীরোলনা লান্না লৌনদুনা অমগা অমগা থরুম তৌনহৌগদবদু খল্লুবদা নুংঙাইতে। মসিদা লাল্লিবসি কনানো ? কনাগী মরাল ওইগদৌরিবনো ?

হয়েং মেগী তাং ২৯ অমিট সহা লাক্কদৌরি। মহাকপু তারাম্না ওকচরি। অফবা পাউ পুরকপদি ওইসনু। পূক্লিংদদি চিংনরি করি থোক্লগদবা ? অঙাং ওইরিঙৈ,পরিক্ষা হায়দোক্লমদাইগী মিহুন হুনবদু নীংশিংলকই। য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী ৱা ওইনা লাওথোকপীরম্লগদি মীয়াম্না লোং লিভ মণিপুর লাওবদি শোয়দ্রে। য়ুনিয়ন টেরিটোরি পীথোকখিনবগী পাউসু তাবগুম তৌই । তোকঙাসি করিগুম্বদা চুম্বসু য়াওই । প্লেন্দা লেপ্তুনা নুমিদাং হোল্লকখিবা লান্মীশিংনা ঐখোয়দা পাউখোং অমা চনবগুম্নসু তৌরি। মমাংদা থোকখিবা সেন্টরগী ৱাফম "উইদআউট টেরিটোরিয়েল লিমিট.." না মৈজাও হৌহনখি। হন্দক্কী অসিনা 'য়ুনিয়ন টেরিটোরি' নৎত্রগা 'সু'না ওইগদৌরিদ্রা ? অফবা লাকপদি ওইরকসনু। হায়জনীংলিবা ৱাফমদি- অখণ্ড-অহৈ রাজনিতি তৌবীরিবশিংগী অপূনবা মান্নবা ৱারেপ অমখক্লা লেঙবীরক্লিবা অঙম্বা অমিট সহাজিগী ৱাখলবু ভাব তাহনবীবা অসিনা ওইগনি। ওল পোলিটিকেল পার্টিগী ওইবা অপূনবা মীফম ফমদুনা অপূনবা ৱারেপ অমা লৌরগা লেঙবীরক্কদৌরিবা অঙম্বদা ৱাকৎ-চে পীনবা থৌরাং তৌবীরগদি পূম্নমক্কী অফবা ওইগনি। ঐখোয়দি রাজনীতি,পোলিতিক্স হায়বসি করিমত্তা খঙজদে,হৈসু হৈনজদে। মীচম ঐখোয়গুম্বা,ইমা-ইবেল ৱাকৎ মীফম ফমজবশিংগী ৱাকৎখক্লদি হন্দক্কী ৱাফমসি সেন্টরনা তাগদবা মান্দে। এম এল এ ওইরবশিংনা ৱাশকপীখিবা I,..,having been elected as a member of the legislative assembly, do swear in the name of God that, I will bear true faith and allegiance to the constitution of India as by law established, that, I will uphold the sovereignty and integrity of India and that I will faithfully discharge the duty upon which I am about to entre. হায়না ৱাশকপীখিবা নীংশিংবীরমগনি। ৱাশক অসি চপ চানা এম এল এ শিংনা ঙাকহন্নীংই।




ৱাফম অমনা, মণিপুরগী পুৱারী (ইতিহাস) অসি, হিস্ট্রিগী মহৈরোয় নৎত্রগসু লমদমসিগী মীওইশিং ঙসিদি খঙমিন্নদবা য়াদবা মতাং য়াম্না লৈরে। চুরাচান্দপুরনা হন্দক থোক্লিবা থৌদোক ঈরাং অসিগী মরুওইবা হৌরকফম মফম ওইরি। চুরাচান্দপুরদা ঙল্লিঙৈদগী খুন্দামিন্নরকখিবা য়েলহৌমীনি হায়না খঙনবশিংদি-অনাল,মোয়োন,মে নশাং,চোথে,মরিং,লমকাং,চিরু, আইমোল,কোইরেং অমদি কোম হায়রিবশিং অসিনি। মখোয়বু ঐখোয় মৈতৈনা খোংশাই (খোংজাই ) হায়রগা খঙনরকই হায়বসি লাইরিক্তা লৈরি। মীওইশিং অসিদি পুৱারীগা মরি লৈনরকই। হৌজিক মশীং য়াম্না খুন্দারিবা মীওইশিং পাইতে,মার,ৱাইফৈ, শিমতে,গাংতে, জৌ,মীজো, তিদিম চিননচিংবা মীওই কাঙলুপশিং অসিদি কোন্না চঙলকখিবশিংনি। মখোয়বু কুকি হায়না খঙনৈ। হৌজিক্লা অমুক মথোং মরম খঙদবা মোরে মাইকৈদগী হাইজিল্লকপশিংগা পুল্লগা কুকি কাঙলুপ ওইনা মশীং খঙদনা লৈরি। মীওই মখল য়াম্না চুরাচান্দপুরদা নারোন্দা খুন্দাশিল্লরে। মখোয়শিং অসি লুসাই চীং অমসুং বর্ম্মাগী চীন হিলসনচিংবদগী লাক্লগা খুন্দারবনি,মীতোপশিংনি । পুৱারীগা মরি লৈনরক্তে। শিলুং,চিংনুৱাই অমদি গেলতুই হায়না খঙনবা শুরুংশিংদগী হৌরকপনি হায়বসি মখোয়গী অরীবা চিনবুং ঈশৈ ওইনা মখোয়না শক্লরিবা ঈশৈ অসিনা ময়েক শেংনা তাকই ।

অসিগুম্বা হৌরক ৱারী, পুৱারীগা লৈনবা মরী অসি ইখঙ খঙদনা শেমজিনবা অরানবা শাগৎপা ৱারীনা য়েলহৌমী শাদুনা অশেংবা য়েলহৌমীশিংদা য়ুম-কৈ মৈ থাবা,মীহাৎ-মীপুন চৎথরকপা হায়বসি য়েলহৌমীশিংনা পুক ফমনবগীনি।

চুরাচান্দপুর করম্না থোনখি, চুরাচান্দপুরদা লৈরিবা মৈতৈনা খুন্দারিবা খুমুজাম্বা লৈকাই থোনখিবী খুমুলৈরিজাম্বনা য়াখমলোই তরেৎ (লাই ফৎতবী) তেন্না থাদুনা হাৎখিবগী ৱারী, তোরবুং কৌখিবগী ৱারী লীখুন তাকপা অরীবা লাইরিকশিং-লম্মিৎলোন নিংথৌরোল লম্বুবা,মীয়াৎ লারৈ লাথুপনচিংবশিংদা ইরিবসি শাজিনবা নত্তে। কুকিনা হোমলেন্দ তানবা, তোখায়বা লৈঙাক লৈহনবদা য়াখিবা হায়বসি পুৱারী, হিস্ত্রি খঙদবগীনি। মমাংঙৈদগী লৈরক্লবা মণিপুরগী লমবু,মচেৎ থোক্লা ৱারী খঙদবা মীতোপ্পা হায়রগা য়েন্থোক্লবা হোৎনবা হায়বসিদি অফবা ওইরোই। অমিট সহাজিগী খোঙচৎসিনা অফবা পুরকপা ওইসনু । *- মাখোনমনি মোংসাবা*

ৱারী ককনাউ

# অকংবা অঙাংবা গুলাপ -১৮

থোইবীগী ৱাখল পুমহোং হোংখ্রে। ঐনা নোং ফাদোক ফোনগকা সুম ইচম চম্না তৌরুবসি খোন্দা হাওতনা পায়রক্কনি।

"করি লৈরে? মরম চাদনা ফোন পংতৌ তৌবীরক্কনু, মেমীদা তাকথোকউরা' গাইনা ধপ তৌবা হৌরক্লে। ঐনবু খল্লি মাগী ৱাখলসিবু ঐসি পুমকাউ কাউখ্রবগী ৱা ওইরজাৎলা? নৎত্রগা মাগীসিবু ঐগী পূক্লিংসি থৌদোক থৌদোক্লগা য়েংলিজ াৎলা? থোইবীগী শকলোন পুবা মানবা মতৌদুদা ঐসি কৈনোমা সুম সুম খনবা হৌরে। খনজিল্লুরগা ঐ ইশাসি তনবা অমা ফাওরে। অদুবু নোৎশিন্দুনা ঐনা ৱা অমগা হায়ফেৎকগা সুম হায়রুবগসি মানা থুনা ঐগী ৱাদুগী ৱাহৈ অমা অদুম শৎ লাওনা খুমজিল্লক্কনি।

"ইতা মেমীদো ফোন অমুক্তা পায়হল্লকউ, ঐ মাগা অরুবা ৱারী অমা শাদৌ লৈ"। সিদনি মখা তানা ঐনা করি অমুক হায়রুনীংঙাই লৈরিগে? মায় ৱাতাদুদবু ঐগী নুপী মেমীদা থোইবীনা ৱারী অমা শাগে হায় হায়না ফোন কমাইনা পীরুদৌরিনো? ফোনদু লাক্তনা লংখিরোইদবগী মরম লৈতে।

"কৈদৌবগী থোইবীদা ফোন তৌরুরিনো? নৎত্রগা মানা নঙোন্দা করি মরমগী ফোন তৌরিনো?" হায়না মখা শাংথনা চথবা য়াবগী লম্বী অমা অদুম লৈত্রো? মসি পূম্নমকসি থৌওইনা থোইবীনা তৌগে হায়না তৌরক্লিনি। অদুনা ঐ মহৌশা নৎত্রে। তপ্না তপ্না থোইবীগী মতৌদুদা ইশাসি খজিক খজিক লাপথোকচরগে হায়না খল্লে। খনবৈ ৱানি পাক্তি য়াদেহে। মসিদনি ঐনা অমুক ঙক্লিসি। মী হায়বা জাৎসি কৈনোমনি। ঐসি নুপীসু থিরে, ইচাসু লৈরে। থোইবীসি মথায় থায়নবু হায়গেনে, লৈশা পাখং ওইরিঙৈ মতমদুদা হায়রপ কোইনরম্বৈ ৱানি। কোইনবা হায়দুসু হেক্তা পৎ তৎখৈ নুংশিনবা নত্তে। থোইবী কোইনা কোইনা মাগী মমান্নবী অমনসু অমুক হৌজি ল্লক্তনা হায়রপ কোইরি শারি তৌরুবদগী থোইবীনা খঙলক্তনা, "অদুদি নঙ মাগা কোইনহৌরো" হায়না হায়রম্মগা মাসু অতোপ্পা নুপা অমগা অদুম কোইনখিবনি। অদুগা থুরেখৈ চেনখ্রগা লুহোংখিবনি। মচাগকা পোক্তনা লৈরিবনি। হোই, মরাইবক থীবদগী হায়গদ্রা, মাগী নুপাদুনা ওক্তবদৈ হায়দুইরা, অতোপ্পা নুপী অমা অমুক লৌরগা নুপী মপামদা য়াওং ইন্দুনা লৈখিবৈ ৱানি। নোংমা সুম থোকউ হায়দুনা থোইবীগা ঐগা সোরাৎ মফম অমদা থেংনখিবদগী ৱারিগদু খঙনরক্তনা মাগী অৱাবদুদা সুম মতেং খরা পাংনীংলুবগী ৱানি। মদুদগীদি ষন্থি খুনবদা ষণনাও য়াওই হায়দুনা, মতেং পাংলম্বদগী মশা য়াওনা কোইশিন্নীংবগী ইথিল অমা ফাওরক্তুনা সুম নোংফাদোক ফোনদা পূক্লিং থেমদুনা নীংঙাই ঙাইহাক শান্নদুনা মতম লেল্লুবদগী ৱাখলসিদা ফৈরেং তুরেং খল্লুবগী ৱানি।

কুইরে ফোনগকা অমত্তা তৌখিদবা, মরক মরক্তা মীরক নারক য়েংলগা হেক হেক চৎচরম্বদুসু তন্দনা তোকখ্রে। ঐনা হেক চৎলুনি, ঐখোয় নুপী মেমী অমুক লৈরমগনি, মানা কৈদৌ লাকইনো হায়না অমুক তকখৎলক্কনি। ঐনা খুম্ফম হেক খঙলোই। কোকসিদা জাৎ জাৎ অমুক খল্লক্কনি।

"থোইবীসিবু ঐনা কোইরিরা নৎত্রগা ঐগী নুপী মেমীনা কোইরিরা?" মদুদদি ইশাসি সাইকিয়াত্রিক ডাক্টর অফবা অমগী টেব্লেট চাবগী ফীভমদা লাক্লে। হায়দোক্তবৈ ৱানি, কোকসি পুবা ঙমদদুনা ডাক্টরদা তূমিন্না য়েংলগা তূম্বা য়ানবা, ৱাখল খন্দনবা হায়দুনা গুলি চারবনি। থোইবীগী ৱা তারগা, মাগী মনাক্তগা ফল্লগা, মাগী মতৌ উরগা পংপেন্দা পেঞ্জরম্বদু ঙসিদি মাগী ৱা পনবদা ইশাসি শ্বাই শ্বাই লাওবা অকিবা পোকপা মতৌ অমা তৌরবনি। মমিং পনবা য়াদ্রে, অদুদবু কদাইদগী মাগী ৱাখলনো?

নহান নোংমদি য়াম শাথীনা নোক্লিংবা অমা তৌরে। ঐনা ওফিসতগী হল্লক্লগা ইমান্নবা অমনা "ইতাও কুইরে, হিন্দ জাল পালগী চাদু থক্তবা গ্লাস অমমমতা থক্লসি হায়না হায়বদগী চঙলুই। ইবানি মায়গা মায়গা ওনশিন্নদুনা ফম্মিন্নরে। ইমান্নবদুনা চা কৌখ্রে। থুনা অদুম পুরকই। চা গ্লাসতু পীরগা চিংগে হায়না চিনবান্দা থাংগৎলুবদা, থোইবীদু ঐনা ফল্লিবদুগী মায়োক্লনা ফল্লগা চা গ্লাস অমা পায়রগা থক্তুনা ঐবু য়েংলগা নোকফেৎ নোকফেৎ তৌদুনা লৈরম্মেনে। ঐ থক্লে হায়না থাংগৎলুবা চাদু চিনবান য়ৌরকপদা থোক হেক উরুরে। ইশাসি খংপ্রেক খংদনা চাদু চিনবান্দদি হৈজিন্দ্রদনা ফুরিৎতা ওইনা হৈজিল্লগা অশাবদুনা থবাক্তা থেংবদা ইশাসি খংপ্রেক খংদনা চাদু লোইনা মখা তানা হৈজিল্লেদনা। ইমান্নবদুনা ইপা পাখৎনা, কমাই তৌরিনো হায়না মাগী রুমানগদু পুথোক্তুনা ঐগী ফুরিৎকদু তৈথোক্তনা তৌবীরি। ঐ কৈসু হায়দে। ইশাসি মেন মান অমত্তা তাদ্রে। মানা চা অতোপ্পা অমা অমুক কৌদুনা অদুম ফমথৈ। থোইবীগা ওনশিন্নদুনা ফল্লিবদু নুপীনি, মমায়দুদি মখোয় অনী ওনশিন্নরগা ফম্বনিনা কনানো হায়বা খঙদে। মমায়দুসু ওন্থোরক্তবনিনা মশক খঙদে। থোইবীসু চাদু থকই, ঐসু থকই। ৱাদি হায়নদে, ঐসু চিংনা চিংনা ফল্লপ ফল্লপ য়েংলি। থোইবীদি ঐনা য়েংলু খুদিংগী অদুম মাগী মহৌশাগী ঐগী থম্মোয়বু শুমহৎপা ঙম্বা মীনোক্তুগা লোয়ননা চাদু থক্লগা য়েংলি।

ইমান্নবদুনা ৱারী খরা অদুম শাবা হৌরকই। ঐনসু মরক মরক্তা অদুম খুম্মী। অদুবু মাগা ঐগা শান্নরিবা ৱারীদু মরী মখোঙ অমা ইশম শম্নদবদৌনা তৌরবজাৎনি। অদুদা ঐগী ইমান্নবদুনা হংলকই।

'ইতাও হন্দক মরকসি করি তৌরবগে?'

'ঐসি কৈনোমা ইতৌ তৌরবদৌনা উবরা?'

'উদে, অদুবু কৈনোমদি তৌবা মাল্লি। ডাক্তরদগদি য়েংদ্রিবরা?'

'য়েংই, হীদাক চারি'

'ফজনা চাং নাইনা চাবীয়ুকো'

'উম'

হায়নরিঙৈদা থোইবীদু হৌগৎলক্লে, মাগা ফম্মিন্নরিবীদুসু হৌগৎলক্লে। মমায় লৈথোরকপদা মশক খঙলে, মাগা ফম্মিন্নরম্মীদু মেমী ওইরম্মে। মেমীনা থোরকপদা ঐঙোন্দা য়েংলগা চাগী শেল পীরম্মগে হায়রম্মগা থোকখ্রে। ইমান্নবদুনা ঐঙোন্দা হংই-

'কনানো ইতাও অসিবো?'

'ঐগী নুপীনি'

'এহ! কৈনোনে হায়রিসিবো, কৌসু কৌনদবা, খাইনরবরো?'

'খাইনদেদা'

ঐগী ইতাওদু মপূক্লিং পেন্না নোকখি, ঐ অমদি ঙসিগী মতৌদুদা।

**-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**